HUEIYEN LANPAO

## প্রিয়ঙ্কা গান্ধীনা ষ্টার কেম্পেইনর ওইগনি

**ন্যু দেল্লি, জুন ০৭ (এজেন্সী) :** হিমাচল প্রদেশ অমসুং কর্নাটকাদা পাংথোকখিবা এসেমব্লি মীখলগী কেম্পেইনশিংদা প্রিয়ঙ্কা গান্ধী ভাদ্রানা মরুওইবা থৌদাং কয়া লৌখিবা অমদি হায়রিবা ষ্টেট অনি অসিদা কোংগ্রেসনা চাওনা মায় পাক্নুনা কোংগ্রেসকী লৈঙাক শেমখ্রবা মতুং চহি অসিগী অরোইবা শরুক্তা পাংথোক্কদৌরিবা মীখলশিংদা প্রিয়ঙ্কা গান্ধীবু কোংগ্রেসকী ষ্টার কেম্পেইনর ওইহল্লগনি হায়রি।

কোংগ্রেসতগী ফংবা ওফিসিয়েল ওইবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না চহি অসিগী অরোইবা শরুক্তা পাংথোক্কদৌরিবা তেলঙ্গানা অমসুং মধ্য প্রদেশ এসেমব্লি মীখলদা প্রিয়ঙ্কা গান্ধীনা ষ্টার কেম্পেইনর ওইনা অচৌবা থৌদাং লৌগদৌরি। তেলঙ্গানাগী ওইনা প্রিয়ঙ্কা গান্ধীনা রেল্লি অমা পাংথোকখ্রে। মধ্য প্রদেশকী ওইনসু লাক্লিবা জুন ১২ দা রেল্লি পাংথোল্লবা য়ানা লৈরি। ছটিসগরদসু কোংগ্রেস লুচিংবী অসিনা লুচিংদুনা মীয়ামগী রেল্লি পাংথোল্লবা য়ানা লৈ হায়রি। চহি অসিগী অঙনবা শরুক অমদি মমাং চহিদা পাংথোকখিবা মীখলশিংদা কোংগ্রেসনা ৱিমেন ইম্পৱারমেন্টদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা থবক পায়খৎকনি হায়না ফোংদোকখিবগা লোয়ননা নুপী মীরেপ কয়া পার্টি অসিদগী পুথোকখিবনি।

## পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবগীদমক মমতা বেনর্জিনা উরিষ্যাদা ভিজিট তৌখিবনি ঃ বি জে পি

**কোলকাতা, জুন ০৭ (এজেন্সী) :** হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা উরিষ্যাগী বালাসোরদা ত্রেন ৩ থেংজিন্নবদগী মীওই ২০০ হেন্না শিরগা লিশিং ১ রোম শোকহনখিবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী সুপ্রিমোসু ওইরিবী ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চিফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা উরিষ্যাগী তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা চৎতুনা শোক্লবা পেসেঞ্জরশিংগা উন্নদুনা মীনুংশি চাওবা শারিবা অসি পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবগীদমক্কি হায়না বি জে পি গী মাইকৈদগী ফোংদোরক্লি।

বি জে পি গী নেসনেল ভাইস প্রসিদেন্ট দিলিপ ঘোসনা হিরম অসিগা মরী লৈননা পাউমীশিংগী মমাংদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়, নুমিৎ নিনিগী মমাংদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চিফ মিনিষ্টর উরিষ্যাদা লাক্লমখিবনি। মহাক্না লাক্লিবা অদু পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবনি হায়বসি খুদিংমক্কা খঙনরবা ৱাফম অমনি। মমতা বেনর্জিনা রেলৱে মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা ত্রেন গুরুং চৎপগী থৌদোক ৮০০ হেন্না থোকখি অদুগা হায়রিবা থৌদোকশিং অদুদা মীওই ১৪০০ শিখি। ত্রেন গুরুং চৎপা নত্রগা থোমজিন্নবগী থৌদোক হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কা পান্বা নত্তে অদুবু করিগুম্বা মতমদা লাইবক থীবা থৌদোকশিং অসি থোকপা য়াওই।

বালাসোরদা থোকখিবা ত্রেন ৩ থোমজিন্নবগী থৌদোক অদু এণ্টি কোলিজন দিভাইস হাপ্পল্লবদি থোক্লমদবসু য়াই হায়না মমতা বেনর্জিনা ফোংদোক্লি। অদুবু মহাক মশানা রেলৱে মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা হায়রিবা দিভাইস অদু হাপ্পমদবগী মরম করিনো হায়বসু মীয়ামদা খঙহনগদবনি হায়রি।

ঘোসনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা বালাসোরদা থোকখিবা থৌদোক অদু খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থীবা থৌদোক্লি হায়বসি লৈরিবা বি জে পি না লুচিংবা লৈঙাক অসিনা য়াই। লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগীদমক লৈঙাক্কী মাইকৈদগী অঙন্বা মতেং পাংলি মখা তানসু পাংখিগনি হায়রি।

অমরোমদা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী ৱাঙাঙলোই সান্তনু সেননা বি জে পি নেসনেল ভাইস প্রসিদেন্টগী ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকখিবগা লোয়ননা সেন্তরগী অশোয়বশিং অদু মীয়ামদা খঙহন্দনবগীদমক মমতা বেনর্জিদা মরাল শিরকখিবনি। সেন্তরদা লৈরিবা বি জে পি লৈঙাক অসিনা করিগুম্বা অশোয়বা থবক খরা তৌরুরবদি অচুম্বা শাদুনা অৱাই অখুম তৌবা হায়বসি হৈনবীনি। অদুবু বালাসোরগী লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং চিফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা অশোক অপন নংলবশিংগীদমক পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং মীয়াম্না হেন্না খঙনরে। চিফ মিনিষ্টর মশানা অৱাবা তারবশিংসু হকথেংননা হৌজিকসু মোনিটর তৌদুনা লৈ হায়রি।

## রেষ্টলরশিংদা মতেং পীবগী ৱাফমদা অহোংবা লৈতে ঃ রাকেস টিকেট

**ন্যু দেল্লি, জুন ০৭ (এজেন্সী) :** রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী চিফ ব্রিজ ভুসন মফমদগী লৌথোক্কদবনি হায়না লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা রেষ্টলর কয়ানা দিমান্দ তৌরদুনা থা অমরোমদা হেন্না চংশিল্লক্লিবা খোঙজংদা লৌমীশিংনা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুদগী অহোংবা লৈতে হায়না ভারতিয়া কিষান য়ুনিয়নগী লুচিংবা রাকেস টিকেটনা ঙসি ফোংদোরক্লি।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমসুং ওলেম্পিক মেডলিষ্ট বজ্রং পুনিয়া অমদি সক্সি মালিক য়াওনা রেষ্টলর খরগা উন্নদুনা মখোয়না তাল্লিবা দিমান্দগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রবসু মখোয়গী মরক্তা করি ৱারী শান্নখিবগে হায়বদু খঙহন্দে হায়বগীদমক লৌমী লুচিংবশিংনা নুংঙাইতবা ফোংদোকখিবগা লোয়ননা রেষ্টলরশিংগী খোঙজংদা শৌগৎনবা ফিরেপ লৌখিবা অদু হন্দাক্লে হায়না ফোংদোক্লরকখিবনি।

অদুমওইনমক লৌমী লুচিংবা রাকেস টিকেটনা ৱাফম অদুগী মতাংদা শেংদোক ৱারোল পীরদুনা হায়, রেষ্টলরশিংগী খোঙজংদা হৌজিকসু মখোয়না মপুং ফানা শৌগৎলি অদুমওইনমক জুন ৯ দা দেল্লিদা লৌমীশিংনা চংশিনগনি হায়না তৌরম্বা খোঙজং অদু মতম খরগী ওইনা পোস্পোন্দ তৌখ্রে। রেষ্টলরশিং অমসুং গভর্নমেন্টকী মরক্তা ৱারী শান্নখিবা অদুগী মতাংদা রিপোর্ট অমা লাক্ত্রিবা ফাওবা ঙাইদুনা লৈগনি। লৈবাক অসিগী লৌমীশিংনা শান্নরোইশিংবু হান্নদগী হৌনা শৌগৎতুনা লাক্লি। মখা তানসু শৌগৎখিগনি হায়রি।

অমরোমদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা রাকেস টিকেটনা মখা তানা হায়, খোঙজং চংশিল্লিবা রেষ্টলরশিং অমদি লৈঙাক্কা করম্বা মতমদা অমুক হন্না উন্নদুনা ৱারী শান্নগদগে হায়বা খঙদে। অদুবু লৌমীশিংগী ওইনদি মদু খঙলুবগী কা হেন্না কান্নবসু লৈতে। রেষ্টলরশিংনা তাল্লিবা দব্লিউ এফ আইগী চিফ ভুসনবু ফাও হায়বা দিমান্দ অদু ফংদ্রবদি শান্নরোইশিংগী খোঙজংদা মতেং মখা তানা পাংগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি দেল্লি পুলিসনা ঙসি ব্রিজ ভুসনগা নক্লবা মীওই খরগী ষ্টেটমেন্টশিং রেকোর্দ তৌবা হৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ময়ুমদা থবক শুবা মীওই খরদসু ৱাহং পাউহং চথখ্রে হায়রি।

## মপুরোইবা শিরে হায়জিল্লম্বী নুপীগী মথক্তা কেস ফাইল তৌখ্রে

**ভুবনেশ্বর, জুন ০৭ (এজেন্সী) :** বালাসোরদা থোকখিবা লাইবক থীবা ত্রেন এক্সিদেন্ট অদুগা মরী লৈননা ষ্টেট গভর্নমেন্ট অমসুং রেলৱেজগী মাইকৈদগী লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা কম্পেইনসেসন পীগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং শেল খরা অদু পাম্বগীদমক নুপী অমনা মহাক্কী মপুরোইববু এক্সিদেন্ট অদুদা শিখ্রে হায়না ফোংদোক্লম্বা থেংনরকপদগী মপুরোইবনা নুপী অদুগী মথক্তা কেস ফাইল তৌখ্রে হায়রি।

কটক দিষ্ট্রিক্টকী মনিয়াবন্দাদগী গীতাঞ্জলি দত্তা কৌবী নুপী অসিনা মহাক্কী মপুরোইবা বিজয় দত্তা ত্রেন এক্সিদেন্ট অদুদা লৈখিদ্রে হায়না জুন ২ দা ক্লেইম তৌখিবনি অমদি নুপী অদুনা অশিবা ময়াম মরক্তগী হকচাং অমা মহাক্কী মপুরোইবনি হায়নসু মশক তাকখি। অদুমওইনমক মরী লৈনবা চে-চাংশিং চেক তৌরুরবা মতুং নুপী অদুনা ক্লেইম তৌরিবা ৱাফম অদু অরানবনি হায়বা খঙবা ঙম্লকখিবনি। থৌদোক অদুগী মতুং পুলিসনা নুপী অদুবু ৱার্নিং পীরগা থাদোকখি। অদুমওইনমক নুপী অদুগী মপুরোইবনা কেস ফাইল অমা মহাক্কী লোয়নবীগী মথক্তা তৌরকখিবনি হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুং ইন্না মতৈ-মনাও অসি হৌখিবা চহি ১৩ গী মমাংদগী তোঙান তোঙান লৈনরকখিবনি। অদুবু শেল খরগীদমক নুপী অদুনা মহাক্কী মপুরোইবা লৈন-লৈনা শিখ্রে হায়জিল্লম্বা অদুবু পেন্দবা ফোংদোক্তুনা বিজয়না কেস ফাইল তৌরকখিবগা লোয়ননা অকনবা এক্সন লৌখৎনবা দিমান্দসু তৌখিবনি হায়রি।

কেস অসিগা মরী লৈননা মনিয়াবন্দা পুলিস ষ্টেসন্না কেস অমা লৌখৎখিবগা লোয়ননা গীতাঞ্জলিবু ৱাহং পাউহং চথবা হৌখ্রে হায়না ষ্টেসন ইনচার্জগী মাইকৈদগী ফোংদোরক্লি।

## য়ু পি কোর্টকী মপান্দা গেংষ্টর অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

**লক্ষ্ণৌ, জুন ০৭ (এজেন্সী) :** উত্তর প্রদেশকী কোনুং লক্ষ্ণৌদা লৈবা কোর্ট অমগী মপান্দা গেংষ্টর অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগা লোয়ননা পুলিস অমবুনা মখোঙদা নোংমৈ কাপ্তুনা শোকহল্লল্লে হায়রি। রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না চেন্নরিবা মীওই অদু লোয়রগী দ্রেস শেৎতুনা লাকখিবনি হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্টমতুং ইন্না নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রবা গেংষ্টর অদুগী মমিং সঞ্জিব মহেশ্বরি কৌই। মহাকপু মীয়াম্না কম্মন ওইনা সঞ্জিব জিভা হায়নসু খঙনৈ। মহাক য়ু পি গী নোংচুপ থংবা শরুকশিংদা হায়রিবা মীওইশিং অসিনা ক্রিমিনেল গেং অমা চল্লাইরি। গেংষ্টর অসি ঙসি কৈসরবাঘদা লৈবা লোকেল কোর্ট অমদা পুথোরকখিবনি। মহাক চহি কয়া জেলদা লৈরুরবা মীওই অমনি। মহাক্কী মথক্তা ক্রিমিনেল কেস ৫০ গী মথক্তা লৈরি। মহাক কোর্টতগী থোরকপগা লোয়রগী দ্রেস শেৎপা মীওইঅমনা নোংমৈ কাপ্তুনা হাৎখিবনি। মহাক হাৎখিবা অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেটঅসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফিভমদা অকাইবা থোকহলক্তনবগীদমক পুলিসকী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে হায়রি।

## পি এম না তুমিন্না লৈশিনবগী মরম খঙহনগদবনি

**ন্যু দেল্লি, জুন ০৭ (এজেন্সী) :** মণিপুরদা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা পামবা থৌদোকশিং লেপ্তুনা থোক্তুনা লাক্লবসু লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা তুমিন্না লৈশিল্লিবা অসিগী মতাংদা মীয়ামদা চপ চাবা মরম খঙহনগদবনি হায়না কোংগ্রেস লুচিংবা জয়রাম রামেশনা ফোংদোকখিবগা লোয়ননা মণিপুরগী ৱাথোক অথুবদা লোইশিন্নবা তকশিনখ্রে।

কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি জয়রাম রামেশনা ফোংদোকখিবদা মণিপুরদা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌদোক থোকখ্রবা মতুং থা অমরোম লৈরগা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরদা ভিজিট তৌখি। হোম মিনিষ্টরনা মীনুংশি খজিক্তা ওইরবসু উৎপীদুনা মণিপুরদা চৎখিবা অদুগীদমক থাগৎপা ফোংদোকই। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা তুমিন্না লৈশিল্লিবা অসিগী মরমদি মীয়াম্না খঙদ্রি। করি মরমগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর মশা মণিপুরদা চৎতুনা কম্ম্যুনিটিশিংগী মরক্তা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা অপিল তৌদ্রিবনো হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লি।

মহাক্না হায়, ওল পার্টি দেলিগেসন টিম অমা মণিপুরদা থাদুনা হিরম অসিগী মতাংদা য়েংশিলহনবসু য়াই অদুবু মদুসু থবক ওইনা তৌবা লৈতে। মণিপুরদা তংদু লৈতাদবগী থৌদোক থোক্লিবা অসি থা অমা হেঞ্জিল্লক্লে। মখা তানা থৌদোক অসি কন্ত্রোল তৌদ্রবদি হেন্না শাথিবা ফিভম অমদা লাকপসু য়াই হায়রি।

কোংগ্রেস লুচিংবা অসিনা মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু হন্দুনা ঙাঙখিবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবা নত্তে। মমাং চয়োলদসু মতম শাংনা ইন্টরনেট থিংজিনবা অমদি মীশি মীনা থোকহনবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী লৈঙাক ফেল ওইরে হায়নসু ফোংদোকপা লৈখ্রবনি।

## য়ু কে দা ভিজিট তৌবদা অয়াবা পীখ্রে

**ন্যু দেল্লি, জুন ০৭ (এজেন্সী) :** দেল্লিগী এজুকেসন মিনিষ্টর অতিসি য়ু কে দা ভিজিট তৌবদা সেন্তরনা অয়াবা পীরকখ্রে হায়না অতিসিগী লোয়রনা ফোংদোকখিবগা লোয়ননা অয়াবা অসি মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়র্সনা ঙরাং পীরকখিবনি হায়রি।

অতিসিগী লোয়রনা ফোংদোকখিবদা সেন্তরদগী পোলিটিকেল ক্লিয়ারেন্স পীরকখিবনা মরম ওইরগা মখা তানা অতোপ্পা দিপার্টমেন্টতগী ওর্দর লৌবগী মথৌ তাদ্রে। এজুকেসন মিনিষ্টর অতিসি য়ু কে দা জুন ১৪ দগী ২০ ফাওবা লৈগনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসি মরুওইনা কেমব্রিজ য়ুনিভর্সিটিদা পাংথোক্কদবা থৌরম অমগীনি। অতিসিনা য়ু কে দা অহানবগী ওইনা চৎনবা হোৎনবদা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়র্সনা অথিংবা থমখিবদগী চৎপা য়াদনা লাকখিবনি। অদুমওইনমক এ এ পি লিদর অসিনা পিটিসন অমা থাদুনা মহাক্কী খোঙচৎ অদু অয়াবা পীবিনবা হায়জখিবনি হায়রি।

অতিসিগী লোয়র এদভোকেট সদন ফরাসদনা ফোংদোকখিবদা য়ু কে দা পাংথোক্কদবা থবক থৌরম খরদা শরুক য়ানবগীদমক মহাক্কী ক্লাইন্ট অতিসিদা ইনভাইট তৌরকখিবনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসি পোলিটিকেলগা মরী লৈনবা খোঙচৎ ওইদবনা অয়াবা পীফম থোকই মহাক দেল্লিগী এজুকেসন মিনিষ্টর অমা ওইনা চৎকদবা নত্তে। কেমব্রিজ য়ুনিভর্সিটিদা পাংথোক্কদবা কনফরেন্স অমগী স্পিকর ওইনা চৎকদবনি হায়না ফোংদোকখিবগা লোয়ননা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়র্সনা ক্লিয়ারেন্স পীরকখিবা অদু অচুম্বা খোঙথাংনি হায়রি।

[illegible]

## গুজরাট কোর্টনা দেল্লিগী চিফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল অমসুং এ এ পি গী এম পি সঞ্জয় সিংহ সমোন তৌখ্রে

**অহমেদবাদ, জুন ০৭ (এজেন্সী) :** গুজরাটকী কোর্ট অমনা দেল্লিগী চিফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল অমসুং রাজ্য সভাগী এ এ পি এম পি সঞ্জয় সিংহবু মথং থাগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা কোর্টতা লাক্লবা সমোন তৌখ্রে হায়রি।

আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল অমসুং সঞ্জয় সিংহনা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী দিগ্রীগী মতাংদা ফোংদোক্লুবা ৱাফমগা মরী লৈননা ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমিনেল দিফেমেসন কেস অমগা মরী লৈননা কোর্টনা মখোয় অনিবু সমোন তৌরকখিবনি। আম আদমি পার্টিগী লুচিংবা অনি অসি মেট্রোপোলিটান কোর্ট অমনসু জুন ৭ ফাওবগী মমাংদা সমোন তৌবা লৈখ্রে। দিফেমেসন কেস অসি গুজরাট য়ুনিয়ন ভর্সিটিনা ফাইল তৌরকখিবনি।

এদিসনেল চিফ মেট্রো পোলিটান মেজিষ্ট্রেট জয়েস চোভাতিয়াগী কোর্টতা কেজ্রিৱাল অমসুং সঞ্জয় সিংহগী মহুৎতা মখোয়গী লোয়রশিংনা রিপ্রজেন্ট তৌখিবগা লোয়ননা কোর্টতা লাকপগী মতম খরা শাংদোক্লুবা হায়জখি। লুচিংবা অনি অসিগী মথক্তা কেস তৌরল্লিবা অসিগা মরী লৈনবা দোকুমেন্টশিং খোমজিনবদা মতম খরা চংগদবনা মরম ওইরগা মখোয়গী কোর্টতা লাকপগী মতম য়ৈথোকপীনবা হায়জখিবনি।

নাকল অনিমক্কী লোয়রশিংগী ৱারোল তারবা মতুং কোর্টনা ঙসি এ এ পি গী লুচিংবা অনি লাক্লবগী মতম জুলাই ১৩ ফাওবা শাংদোকপদা অয়াবা পীখিবনি হায়রি।

অমরোমদা দেল্লিগী চিফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ফোংদোকখিবদা মহাকপু কোর্টতা সমোন তৌরকখিবা অদুদা অকিবা পোক্তে। মহাক শোয়দনা গুজরাটকী কোর্টতা চৎকনি অদুমওইনমক হৌজিক হৌজিক দেল্লিদা লৈরিবা এ এ পি লৈঙাক অমদি সেন্তরগা চয়েৎনবা খরা লৈরিবা অসিগী ৱারোইশিন অমা হান্না পুরক্লবা হোৎনবনি। ৱারোইশিন পুরক্লবা মতুং কোর্টনা রিমাইন্দ তৌরকপা ঙাইদনা মহাক মশা চৎকনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা সেন্তরদা রুলিং পার্টি ওইরিবা বি জে পি না ওপোজিসন্দা লৈরিবা পার্টি কয়াগী লুচিংবশিংবু মতম পুম্বদা য়ুম্ফম য়াওদবা মরাল কয়া পীশিন্দুনা ফানবা হোৎনরি। মসিদা মায় পাক্রুগনা য়াল্লবা শেনফমশিং শিজিন্নদুনা এম পি অমদি এম এল এ শিংবু লৈনবা হোৎনরি। দেল্লিগী হান্নগী মিনিষ্টর অনি সতেন্দর জেইন অমসুং মনিস সিসোদিয়াবু য়ুম্ফম য়াওদবা মরাল কয়া পীশিন্দুনা জেলদা ফাজিন্দুনা থল্লি। জেলদা ফাজিন্দুনা থমখ্রবা মতুংদসু মনিস সিসোদিয়ানা অরানবা থবক তৌরমই হায়বগী খুদম অমত্তা পুথোকপা ঙমদ্রবসু মখা তানা অদুম্মক ফাজিন্দুনা থল্লি। মসিগী মথক্তা মনিস সিসোদিয়ানা বেল পীবিনবা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়জরবসু ঙসি ফাওবদা অয়াবা পীবা লৈত্রি হায়না পেন্দবা ফোংদোরক্লি।

পনবা য়াবদি দেল্লিগী হান্নগী মিনিষ্টর সতেন্দর জেইনসু বেল পীয়ু হায়বা য়াদনা লাকখিবনি। অদুমওইনমক মহাক্কী হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লকপনা মরম ওইরগা তঙাইফদনা চয়োল ২ গী ইন্টরিম বেল সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবনি অদুগা মনিস সিসোদিয়াগী বেল প্লিবুনা অমুক হন্না রিজেক্ট তৌরকখিবনি হায়রি।

## বি জে পি গী দবল ইঞ্জিন মপুং ফানা ফেল ওইরে ঃ অখিলেস য়াদব

**লক্ষিম্পুর, জুন ০৭ (এজেন্সী) :** উত্তর প্রদেশকী ওইনা ফুল টাইম দি জি পি অমা থমদনা লাক্লিবা অদুবু সমাজৱাদি পার্টিগী প্রসিদেন্ট অখিলেস য়াদবনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা নিংখা তম্লবা মতুং ষ্টেট অমগী দি জি পি গী ফম থংন থংননা অহুমলক এক্টিং ওইনা থল্লকখিবা অসি হন্দক্কী য়ু পি দা থোক্লিবা অসিনা অহানবনি হায়না ফোংদোরক্লি।

পাউমীশিংগী মমাংদা ৱা ঙাঙলদুনা অখিলেস য়াদবনা ফোংদোকখিবদা বি জে পি না দবল ইঞ্জিন গভর্নমেন্টকী মতাংদা ফজবা ৱাফম কয়া ফোংদোক্লি। অদুবু লক্ষ্ণৌ অমসুং দেল্লিগী ওইনদি ইঞ্জিনশিং অদু অমগা অমগা থেংগাইনবদগী মথৌ মপুং ফানা তৌবা ঙমদ্রে। শম্না হায়রবদা দবল ইঞ্জিল ফেল ওইরে হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লে।

কুমজা ১৯৮৮ গী আই পি এস কেদর বিজয়কুমারবু য়ু পি গী এক্টিং দি জি পি ওইনা এপোইন্ট তৌরকখি। মহাক্কী মমাংদা লৈরম্বা দি জি পি অনি আর কে বিশ্বাকর্মা অমসুং দি এস চৌহানসু ষ্টেট অদুগী এক্টিং দি জি পি ওইনা এপোইন্ট তৌখিবনি। ফুল টাইম দি জি পি এপোইন্ট তৌবগী মহুৎতা এক্টিং দি জি পি এপোইন্ট তৌরিবগী মরুওইবা মরম মীয়ামদা খঙহনগদবনি অদুবু বি জে পি না পাল্লিবদি এক্টিং বি জে পি মতম শাংনা এপোইন্ট তৌদুনা থম্বা অসিনি। মরমদি এক্টিং দি জি পিশিং এপোইন্ট তৌরগা বি জে পি না মখোয়গী অনিংবা অপাম্বশিং অদু তৌনিংবা মওংদা তৌনবা হোৎনবনি হায়রি।

[illegible]

PILLARS PUBLIC HR. SEC. SCHOOL
Only Girls Residential Boarding School
(For Arts & Science) COHSEM
Sagolband Tera Tongbram Leikai, Imphal West-795001
MOTTO : EDUCATION FOR ALL

ADMISSION OPEN FOR CLASS- XI (SCIENCE & ARTS) 2023-24

Fees can be paid in installment basis in view of the prevailing situation in our state

Safe & secure study centre for Girls Students

- DIRECT ADMISSION FOR ALL HSLC PASSED STUDENT (ANY BOARD)
- NO NEED FOR EXTRA TUITIONS
- WELL EXPERIENCE FACULTIES
- CCTV CAMPUS
- BOARDING UNDER THE STRICT SUPERVISION OF EXPERIENCED TEACHER
- STANDARD SCIENCE LABORATORY
- MENTORING CLASSES FOR WEAKER STUDENTS
- AMPLE STUDY AREA FOR BOARDERS

LIMITED SEATS!

REGISTER NOW!

"PILLARS PUBLIC HR. SEC. SCHOOL HAS BEEN ABLE TO ATTRACT THE MOST SOUGHT AFTER AND WELL-EXPERIENCED TEACHERS."

Form and Prospectus available at School Office Time : 9:30 am to 2:00 pm
FOR MORE INFO: +91-9233122783 | Email - ppschool1979@gmail.com

HL-B/8165/06 to 5 July

---

No. 26/1/2018 MSCDRC

**STATE CONSUMER DISPUTES REDRESSAL COMMISSION (STATE COMMISSION) MANIPUR, IMPHAL (OLD ASSEMBLY COMPLEX)**

**[illegible] / NOTICE FOR INFORMATION**

**REVISION PETITION NO. 2 OF 2023**

BRIDOLIYA MAISNAM ... Petitioner
- VERSUS -
LAISHRAM (O) SUBADANI DEVI & ANOTHER ... Respondent

To
The Director, Kangla Construction Pvt. Ltd.,
PAN No. AAGCK7081A, GST No. GSTIN-14AAGCK7081A1ZU,
Singjamei Ahongsangbam Leikai, P.O. & P.S. Singjamei,
Imphal West District, Manipur.

Whereas the above name petitioner has filed a Revision Petition against you. You are hereby directed to appear before this State Commission, Manipur either in person or represented by counsel duly instructed and able to answer all material question relating to the case before the State Commission, Manipur on 12.06.2023 at 10.30 a.m. as directed by the Commission vide order dated 24.05.2023.

Take notice, that if you fail to appear before the Commssion on the next date fixed the case shall be heard and decided in your absence.

Give under my hand and the seal on this 5th day of June. 2023.

(Registrar)
State Consumer Disputes redressal Commission
(State Commission), Manipur

HL-P/6766/7,8 June

---

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG, IMPHAL EAST**

**Ref :- Mutation Case No. 302/SDC/Hng/IE/2023**

Laishram Shila Devi W/o L. Muhindro Singh
of Itam Nungoi Khunou - Petitioner (s)
- Vrs -
Leimapokpam Luxman Singh S/o (L) Ananda Singh
of Laipham Khunou - O.P. (s)

**[illegible] / NOTICE**

Dated 7th June, 2023

Under Section 46(3) MLR & LR, Act 1960 মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি:- ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং: ১১-লাইফম সিফাইদা লৈবা অরিবা পাট্টা নং ৩৩২ অং অনৌবা পাট্টা নং: ২৪৮/১৪৬৯ দাগ নং: ৪৯২/১৭১৪ এরিয়া .১২ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি মচানুপী অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা SDC Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চৎথদুনা নামা ওল্লগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East.

HL-P/6771/08 June

---

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEIROK, MANIPUR**

**Ref: Mutation Case No. 62/SDC/HRK/2023**

Leimapokpam Rabi Meitei S/o (L) L. Inaobi Singh
of Kairembikhok - Petitioner
- Vs -
(Late) Leimapokpam Inaobi Singh S/o (L) Biramangol Singh
of Kairembikhok - Respondent

**[illegible] / NOTICE**

Thoubal, the 22 May, 2023

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা দরখাষ্ট অমা থারক্লে মদুদি Village No. 125-Kairembikhok, Patta No. 517 (N) covered by C.S. Dag No. 320, 323/735 an area of 0.0735, 0.0303 hects of Inkhol class, অসিগী Pattadar অসি মৃতু ওইখ্রে হায়ররে মৃতু ওইখ্রবগী তুংদা মাগী মচানুপা অসিনা মৃতু pattadar গী মমিং অসি ককলগা মাগী মমিং চংহনবীরো হায়দুনা মথক্কী কোর্ট অসিদা হায়ররে মরম অসিনা মৃতু pattadar গী লৈহৌরিবা ইমুং মনুং অমদি লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়েৎপিনিংবা য়াওরবদি খবরদা ফোংবদগীনা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্তুনা objection তৌবিবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা objection লৌজরোই; কোর্টকী নিয়ম মতুং ইন্না case মখা চৎথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Heirok

HL-P/6596/08 June